HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ফেব্রুৱারী ২০, ২০২৫দা দেল্লী মীতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (দি এম সী সী) গী মীহুৎশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মণিপুরদা চৎপীনবা মহাক্কী ওফিসতা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লে হায়দুনা ফোঙদোকখিবা


থম্মোয় পাউদম : করিমত্তা লৈতবা, অহাঙবগী শীজিন্নফম ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ মওং-মরীন তাদবা পি আর খুৎলাকসিনা ...
থাজদবা কোমদা 'ঙা' লৈরম্বগুম হন্দক্কী পি আরসি ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুশনগী এদহোক কম্মিটিনা...
পানামাগী হোটেলদা পল্লিবা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ 'মণিপুর পুলিসনা গ্রাসরুটতগী হৌরগা শান্নরোয়শিংবু...


খেঙোংলাংনা শীন্দুনা মসিগী কলচরেল কমপ্লেক্সতা 'সংস্কৃতি কলা দর্শন সমভরধিনী ন্যাস' হৌদোকপা থৌরমদা আর্টিষ্টশিংদা শকখঙ চে পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা




Vol. 48, Issue No. 316 | ইরাই, ফাইরেনগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, February 21, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### নিংথৌকাবা নুমিৎতগী সেক্রেটরিএটতা ফম্নবা থৌরাংলম্বদু ঙনখৎখ্রে

# ঙসিদগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা সেক্রেটরিএটতা ফমদুনা থবক শূবা হৌরগনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩দা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা মঙোন্দা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬না পীবা পৱারগী মতুংইন্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থল্লকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্টস রুল চংনরে হায়দুনা লাউথোরকখ্রবা মতুংদগী অহানবা ওইনা হয়েংদগী হৌরদুনা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফালগী বাবুপড়াদা লৈবা ওল্ড সেক্রেটরিএট (সেক্রেটরিএট সাউথ ব্লোক) তা ফমদুনা থবক শূবা হৌরগনি হায়রি।




মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপদগী গভর্ণরনা ওল্ড সেক্রেটরিএটতা ফমদুনা থবক শূরগনি হায়বগী পাউ অমা পাউচে অসিনা ঙরাং (ফেব্রুৱারী ১৯, ২০২৫) গী এদিশনদা রিপোর্ট তৌখ্রবা মতুংদা ফংবা পাউনা হায়বদা মহাক্না সেক্রেটরিএট সাউথ ব্লোকতা ফমদুনা থবক শূননবা মহাক্কী ওফিস অমসুং মহাক্কী মথৌ তাবা ষ্টাফশিংগী ওফিস এক্কোমোদেশন শেমজিন-শাজিনবা মপূং ফানা লোইদবনা মরম ওইরদুনা গভর্ণরনা ওল্ড সেক্রেটরিএটতা লাক্তুনা থবক শূবা হৌনবগী মতম অসি থা অসিগী ২৪- নিংথৌকাবা নুমিৎতা লেপ্লম্বনি হায়রি।

নুমিৎ অসিদগী মহাক্না ওল্ড সেক্রেটরিএটতা চৎতুনা নৌনা শেমগৎপা মহাক্কী ওফিস কাদা ফমদুনা থবক শূরগনি হায়বগী ৱাফম ঙসি নুংথিল ফাওবদা অহোংবা লৈখিদে। অদুবু খঙহৌদনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# নোর্থইষ্টকী লালহৌবশিং খূৎলায় থাদোক্তুনা ম্যেনষ্ট্রিমদা চঙবীরকউ হায়না অমিট শাহনা আপীল তৌখ্রে

### মণিপুরগী মহৈরোয়শিংনা মনা অয়াম্বা ফংবগীদমক ঐনা থাগৎপা পাম্মী, মসিনা মরম ওইরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লৈবাক অসিগী অহানবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লৈহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি : অমিট শাহ



**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক (নোর্থ ইষ্ট) ষ্টেটশিংদা লৈরিবা লালহৌবশিংনা খূৎলায় থাদোক্তুনা ম্যেনষ্ট্রিমদা চঙবীরকউ হায়না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা আপীল তৌখ্রে। লোয়ননা মখোয়বু লৈবাক অসিগী চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়ারকপবু তরাম্না ওক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ন্যু দেল্লিদা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা 'য়ুনিটি উটসব-ৱান ভোইস, ৱান নেশন' গী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংনা ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পান্দবা নত্তনা লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইনা থবক তৌবা পাম্মী হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খঙই। মরম অসিনা ঐহাক্না হৌজিক ফাওবদা সরেন্দর তৌদ্রিবা নোর্থ ইষ্টকী লালহৌবা পূম্নমক্তা খূৎলায় থাদোক্লগা ম্যেনষ্ট্রিমদা চঙলক্নবা আপীল তৌরি। লৈবাক অসিগী চাওখৎ লমজেলদা নখোয়না শরুক য়ারকপবু তরাম্না ওক্লি হায়খি। হৌখিবা চহী মঙারোম অসিদা নোর্থইষ্টতা ভাইওলেন্সকী থৌদোক চাদা ৭০ হন্থরে। সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অশোক অপন নংবসু চাদা ৭০ হন্থরে অদুগা মীচম মীয়াম শিবগী চাংসু চাদা ৮৫ হন্থরে হায়খি।

হৌখিবা চহী মঙা অসিদা লালহৌবা লিশীং ১০ হেনবনা সরেন্দর তৌরক্লে। তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংগা পিছ একোর্দ ১২ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মণিপুরদগী নন-লোকল অহুম দেল্লীদা লুপা ক্রোর ৫০ রোমগী হিরোইন কিলোগ্রাম ১০গা কোন্ননা ফারে

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা লৈবা নন-লোকল অহুম - মিত্রলাল খাতিৱোরা এলিয়জ মনোজ, কৃষ্ণনিওপানি অমসুং অকাশ কর্কিদগী দেল্লী পুলিসকী স্পেশল সেলনা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৫০ রোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন কিলোগ্রাম ১০গা কোন্ননা ফারে হায়না দেল্লী পুলিসকী ওফিশল অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা দেল্লী পুলিসকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমিটকৌসিকনা ফোঙদোকখিবদা দেল্লী পুলিসকী স্পেশল সেল য়ুনিটনা মণিপুর, ৱেষ্ট বেঙ্গল, উত্তর প্রদেশ অমসুং দেল্লীনচিংবদা ইন্টরনেশনল দ্রগকী নেটৱর্ক চথরিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা মীওইশিং অসিনা ম্যান্মারদগী মণিপুর ফাওরগা লৈবাক অসিদা হিরোইনশিং পুশিল্লক্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা অমুক চাইথোরকপনি হায়খি।

দেল্লী পুলিসকী স্পেশল সেলনা থা ৪/৫ হেন্না টেক্লিকেল অমসুং মেন্যুএল সর্ভিলেন্সকী খূথাংদা ইন্টলিজেন্সশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লুট তৌখিবা অমসুং ইল্লিগেল ওইবা নোংমৈ অমদি মরূশিং সরেন্দর তৌবীয়ু : গভর্ণর

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী গভর্ণর ওইরম্বী অনুসুইয়া উইকেবু ফম অসি পুনবগী টর্ম শুদ্রিঙৈদা থাংদোকখ্রবা মতুং অসামগী গভর্ণর লক্ষমন প্রসাদ অচার্য্যদা মণিপুরগী থবকসু অহেনবা ওইনা পুহনবা হৌগৎলকপদা দিসেম্বর ২৪, ২০২৪দা মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরকপদগী জন্যুৱারী ৩, ২০২৫দা ৱাশক লৌদুনা ফম অসিবু পুরকখিবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী পাম্বৈনি হায়রদুনা ইহান হান্না ফোঙদোরকপা ৱাফম অমদা ঙসি (ফেব্রুৱারী ২০, ২০২৫) দগী হৌরদুনা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লুট তৌখিবা অমসুং ইল্লিগেল ওইবা খুৎশু-খূৎলায় অমদি মরূশিং খ্বাইদগী নকপা পুলিস ষ্টেশন/আউটপোষ্ট/সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কেম্পশিংদা সরেন্দর তৌরক্নবা আপীল তৌরকখ্রে।

> 'খূৎশু-খূৎলায়শিং পীরকপনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লকপদা অচৌবা মতেং ওইগনি, নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা পীশিল্লকপশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎলোই, পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি অকনবা থবক লৌখৎলগনি'

গভর্ণরগী চেরোল অমনা হায়, চীং অমসুং তম অনীমক্কী মণিপুরগী মীয়াম্না ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি-চান্নবদা অকায়বা পীবা লাইবক থীবা থৌদোক কয়ানা মরম ওইরদুনা হৌখিবা থা ২০ লোম অসিদা অচৌবা অৱাবশিং মায়োক্নরে। মরম অসিনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহন্নবগী পান্দমদা মীয়াম্নসু মখোয়গী মহৌশাগী নুংতিগী থবক থৌরমশিংদা হঞ্জিলহল্লক্নবা, ষ্টেট অসিগী ফুরুপ পূম্নমক্না নুংশিনদবা কোকহন্নবা অমসুং ঈং-তপ্পা খুন্নাই অমা ওইহল্লক্নবগীদমক শোয়দনা থোকপীরকউ। মসিগা মরী লৈননা ঐহাক্না থম্মোয় শেংনা ফুরুপ পূম্নমক্কী মীয়াম মরু ওইনা চীং অমসুং তমগী নহাশিংদা ইশানা য়ানীংনা থোরক্তুনা লূট তৌখিবা অমসুং লোনা য়াদবা খূৎশু-খূৎলায়শিং অমসুং মরূশিং খ্বাইদগী নকপা পুলিস ষ্টেশন/আউটপোষ্ট/সিক্যুরিটি ফোর্সকী কেম্পশিংদা ঙসিদগী হৌরদুনা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা সরেন্দর তৌবীয়ু। নহাক্না খূৎশু-খূৎলায়শিং হল্লকপগী থবক অসিনা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগী মায়কৈদা মপাঙ্গল কল্লবা পাম্বৈ অমা ওইগদৌরিবনি। পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা খূৎশু খূৎলায়শিং পীরকপা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক অমত্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ওইবু ওইথোক্কদ্রো : বি জে পি এম এল এশিংগী অপূনবা মীফম পাঙথোক্লবা তকশিনখ্রে

### লৈঙাক অমা নৌনা শেম্নবা ৱারী শানরগনি : খেমচান্দ

### এসেমব্লি মূখৎকদবা ওইরবদি হান্না রিজাইন তৌগে : শ্যামকুমার

### লৈঙাক অমা শোয়দনা শেমগনি : তোংব্রম রোবিন্দ্রো

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস) :**

এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবা নুমিৎ ১০নি হেল্লকপা অমসুং মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চংনহল্লক্তুনা এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশন থল্লকপা চয়োল অমা মপূং ফারকপগা ইরোয়ননা পূন্না এম এল এ ৩৭ লৈদুনা মেজোরিটি ওইরিবা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তগী মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈহন্নবা পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্টদা অকনবা প্রেসর লাকপা হৌরে। ঙসি থম্বাল শঙলেন্দা পার্টিগী এম এল এ কয়া লাক্তুনা ষ্টেট প্রসিদেন্টকা উন্দুনা মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৪


# GOVERNMENT OF MANIPUR

Imphal, 20th February 2025

[illegible]

## Surrender Illegal Arms: Governor of Manipur

People of Manipur, both in Valley and Hills, have suffered immense hardship for the last over 20 months due to a series of unfortunate incidents affecting peace and communal harmony.

In the greater interest of restoring normalcy, so that people can return to their normal day-to-day activities, all communities in the State must come forward to ensure cessation of hostilities and maintenance of peace & order in the society.

It is in this regard that I sincerely request the people of all communities, particularly the youth in the Valley and Hills, to voluntarily come forward and surrender looted and illegally held weapons & ammunition to the nearest Police Station / Outpost / Security Forces Camp within next seven days, with effect from today. Your single act of returning these weapons can be a powerful gesture towards ensuring peace. I want to assure you that no punitive action would be initiated if such weapons are returned within the stipulated time Thereafter, strict action will be taken for possession of such weapons.

The Government is committed to ensuring a peaceful resolution of the situation and safeguarding the future of our youth. Let us rebuild our State together with hope and trust for a brighter future. Come Forward and Choose Peace.

(Ajay Kumar Bhalla)
Governor of Manipur

HL-B/9348/21


# লাহৌলূপ ৩গী কাদর ১৬ ফারে, খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলে : পুলিস

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মোইরাং কিয়াম লৈকায়দগী কে ৱাই কে এলগী এক্টিভ কাদর ১৩ ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি খ্বাইরাকপম রোজিৎ এলিয়জ চীংশাংলাকপা (২৬), কোংখাম হেমলেট এলিয়জ থৌঙম্বা (২৭), লৈশাংথেম অমরজিৎ এলিয়জ নোংপোকঙানবা (২৪), খ্বাইরাকপম বিক্রম এলিয়জ রেক্স (৪২), সোইবম দিপক (৩৩), লাইশ্রম ইন্দ্রকুমার এলিয়জ বোই এলিয়জ ঙানবা মীতৈ (৩৬), কোন্থৌজম শ্বর্নজিৎ এলিয়জ থৌজাল (৩৬), হৈস্নাম প্রেমানন্দ এলিয়জ রোকি মৈতৈ (৩৩), খুন্দোংবম নিমাই (২৯), নাওরেম অমরজিৎ এলিয়জ থানিল (২৮), অবুজম রিঙ্কু এলিয়জ থৱায়রাকপা (২৪), মোইরাংথেম ইনাও এলিয়জ রোবিন (৪৪) অমসুং হুইরোংবম ইবোমচা এলিয়জ অথোই এলিয়জ পামেল মৈতৈ (১৮)নি হায়রি।

### মোইরাং কৈথেল কান্নখিদে, দি সী ওফিসতা থোমজিনখি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ুক মোইরাং পি এস, বিষ্ণুপুর সী দি ও অমসুং এ আরগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা মোইরাং কিয়াম লৈকায়দা কোয়শিন্দুনা থি-হুম্বা চথরকপদা কে ৱাই কে এলগীনি হায়বা কাদর ১৩ ফাগৎপগী মায়োক্তা মীয়াম্না মখোয়বু খুল ঙাকপশিংনি হায়বগা লোয়ননা মোইরাং কৈথেল থিংজিন্দুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা মখোয়বু কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়দুনা বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিসতা থোমজিল্লকখ্রে। থোমজিল্লকখিবা খুঞ্জাশিংনা খুল ঙাকপশিং অসি ফাবা মতমদা এরেষ্ট মেমো পীরমদে হায়বগা লোয়ননা অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌখি।

মখোয়দগী ৫.৫৬ এম এম x ৪৪ এম এমগী মরূ ১৪, ৭.৬২ এম এম x ৩৯ এম এমগী মরূ তরুক, ৭.৬২ এম এম x ৫১ এম এমগী মরূ ৭, ৱয়রলেস সেট অহুম, চার্জর মরি, জঙ্গল বুঠ ৩১, মোবাইল ফোন ৯, কেমোফ্লেজ ফিরোল অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, পুলিসনা ককচীং শুমাক লৈকায়দগী ময়াংলম্বম কিরন এলিয়জ টিকেন্দ্রজিৎ (৪৩) কৌবা কে ৱাই কে এলগী কাদর অমসু ফারে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী হেমাম বেবেশ্বর এলিয়জ পামিং (৩০) কৌবা কাদর অমসু ঙারিয়ান চীংগী ৱেটিং সেদ মনাক্তা লৈবা চীংয়াং লাইরেম্বী ইমা কৈথেলদগী ফারে হায়রি।

মঙোন্দগী কম্বেট ড্রেস, মিলিটরি বুঠ, মোবাইল ফোন অমসুং মনি বেগ রিকোভর তৌখি অদুগা ঙাইখোং খুল্লেনগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ফেব্রুৱারী ২৪দা অসামদা চৎকদৌরিবা মোদিবু মণিপুরদসু চৎপীনবা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস) :** দেল্লী মীতৈ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (দি এম সী সী) গী মীহুৎশিংনা ঙসি ন্যু দেল্লীদা লৈবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা চঙশিন্দুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা চৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫দা নুমিৎ নীনি চুপ্পা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম এদভান্টেজ ২.০ ইনভেষ্টমেন্ট এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর সবমিটতা শরুক য়াবা চৎপদা মণিপুরদসু চৎপীদুনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা ওইরিবা ফীভমশিং হকথেংননা য়েংশিনবীবগা লোয়ননা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ফীমশিংসু য়েংশিনবীয়ু হায়জখ্রে হায়রি।

### চান্দেলদা নুপা অমগী হকচাং লৈরপ্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী অংফেল চায়াংগী লৌবুক্তা নুপা অমগী অশিবা হকচাং লৈরপ্লে হায়রি। মহাক্কী হকচাং মনাক্তা য়ু য়াওবা প্লাষ্টিককী খাও অমসু লৈরমখি। মহাক্কী মমিং মথা খঙবা ঙমখিদবগা লোয়ননা মহাক মতৌ করম্না শিবনো হায়বসু খঙবা ঙমখিদ্রি। মহাক্কী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনোন তৌনবগীদমক পুলিসনা লৌখৎলক্লগা জেনিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### নেশনল হায়ৱেদা এক্সটোর্শন থিংনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না গভর্ণরনা থাজবা পীরক্লে : এন পি পি




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচএনএস) :** নেশনল হায়ৱেদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিংদগী লোনা য়াদবা মওংদা এক্সটোর্শন তৌদুনা শেল খোমগৎলিবশিং থিংনবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা থাজবা পীরক্লে হায়না এন পি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ৱাই জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নাওরেমথোংদা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা মহাক্না হায়, গভর্ণরগা উন্দুনা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভম ...মখা লমায় ৬ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫